# ইন্দিয়ন অমসুং চাইনিজ ট্রুপশিং খুৎ থোক্নখ্রবা মতুংদা যুএসনা এল ই সিগী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লি: নেদ

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): লম ক্লেম তৌনবা মরন্নাইগী ৱারেপ্পা লৌরকপা খোঙথাং খুদিংমক ৱাশিংতন্না অকনবা মওংদা ওপোজ তৌই অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী টৱাংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখ্রবা মতুংদা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ত্রোল (এল এ সি) গী ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না যুএসনা ফোঙদোকখ্রে।

যুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্স পার্সন নেদ প্রাইসনা নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা ব্রিফিংদা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্দিয়ন পার্টনরশিংগা পাউ ফাওনদুনা এল এ সিদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা ৱারী শানরি। তৌইগুম্বসুং প্রাইসনা ইন্দিয়াগা ৱারী শানখিবা অদুগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে।



ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সপার্সন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এল এ সি পরিংগী মুক্করিবা মফমশিংদগী নাকল অনী থুনা হন্দোক্খিবগী পাউ ফঙবদা ঐখোয়না নুংঙাইবা পোকই। লৈবাক অনীনা হৌজিক লৈরিবা বাই লেটেরেল চেন্নেলশিং শীজিন্নদুনা ঙমখৈগী য়েৎনবশিংগী মতাংদা দিস্কসন চত্থনবসু মহাক্না ইন্দিয়া অমসুং চাইনা অনীমক্তা আপিল তৌখি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি কেরিন জিন-পেরিনা মান্নবা সেপি টমেন্ট ফোঙদোক্লদুনা খুৎ থোক্নরিবা সাইটশিং থুনা হন্দোক্খিবসিদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

অমরোমদা, মহাক্না হৌজিক এল এ সিদা ওইরিবা ফিভম যুএসনা কুপ্না মোনিটর তৌখি হায়নসু ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োলদা টৱাং সেক্তরদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনিজ মিলিটরিগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী কন্টিঞ্জেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্ন খিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা প্রাইসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পুন্না মশিং ৩০০ লোম ওইগদবা চাইনিজ আর্মিগী মীওইশিং নোংমৈদি নত্তবা মীশি মীনা থোকহনবা য়াবা খুৎশু খুৎলায় কয়া পায়দুনা ইন্দিয়ন পোজিসনশিং তম্না চঙশিল্লকখিবদা ইন্দিয়ন মিলিটরি পর্সনেলশিং খুদক্তা রেস্পোন্দ পীদুনা মফম অদুদা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখিবনি।

ইন্দিয়ন মিলিটরিনা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎখিবা অদুনা মরম ওইদুনা নারোনদগী চঙশিল্লক্লিবা পিএলএগী পর্সনেলশিং অদু মখোয়গী ফোর্সশিংদা থুনা হন্দোকখিবনি। মফম অয়াম্বদা ইহো হোনা লৈরিবা এল এ সিদা অসিগুম্বা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং তোইনা থোক্তুনা লাক্লি। অয়াম্বনা চাইনিজ লান্মীশিংনা ইন্দিয়ন টেরিটরিদা নারোনদগী চঙশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি তোইনা থোক্লিবনি হায়রি।

চাইনিজ ইন্ট্রুদরশিংনা থোকহনখিবা অসিগুম্বা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক অদু ইকুই কুইদ্রিবা মতমগী ওইনা কুমজা ২০২০ দা লদাখ রিজনগী গালৱানদা থোকখি। মতমদুদা ইন্দিয়ন লান্মী ২০ লোম অমসুং চাইনিজ লান্মী কয়া অশোক অপন নঙখি। তৌইগুম্বসুং বৈজিংগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা চাইনিজ লান্মী কয়া অশোক অপন নঙখিবগে হায়বদু চপ চানা ফোঙদোরকখিদে।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী ইন্দিয়ন অমেরিকন মেম্বর অমা ওইরিবা রাজা কৃষ্ণমুর্ত্তিনা এল এ সিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ইনৌ নৌনা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মসিগী আর্মদ ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী লমদা নম্ফুদা চঙশিন্দুনা অকন অরিং শীংবগী থৌওং উৎখিবসিনা ঐখোয়বু অদুক্কী মতিক পেলহন্দ্রে হায়না মহাক্না ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি। লোয়নবা মহাক্না বৈজিংগী অকন্ন অরিং শীংবগী থৌওংগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্দিয়া অমদি ঐখেয়গী সেক্যুরিটি পার্টনর পুম্নমক্না মখা তানা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

# কিভতা রসিয়ানা থাজিল্লকখিবা এক্সপ্লোসিব য়াওবা দ্রোন ১৩ যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা কাপথখ্রে

কিভ, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): যুক্রেনগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেম্না এক্সপ্লোসিব য়াওবা রসিয়াগী দ্রোন ১৩ লম্মখাংদা কাপথদুনা মাঙহনখিবগা লোয়নবা কেপিটেল কিভ অমসুং মসিগী অকোয়বা লমদমদা রসিয়ানা যুমশকৈশ নুমিত্তা চত্থরকখিবা এটেক অমা অরেম্বা তাহনখ্রে হায়না যুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



যুক্রেনগী ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না রসিয়াগী এটেক অদুদা মীশি মীনাশিং য়াওখিদ্রবসু খুৎলায় মচেৎ অমদি অকায় অতোইশিংনা বিল্ডিং খরা অমাঙ অতা থোকহনখি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা অচৌবা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চত্থনবা হোৎনরক্লিবা অদুনা যুক্রেনগী কেপিটেল হৌজিকসু মখা তানা রসিয়নশিংগী থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম কয়া মায়োক্নরকপা য়াই হায়বসি উৎলি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা রসিয়ানা মরু ওইনা যুক্রেনগী নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুক্তা মিসাইল অমদি বোমগী এটেক পাক্তক্না চত্থদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মী তাবা মফমশিংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রবনি।

অমরোমদা, রসিয়াগী এটেকশিং অসুম্না মায় পাকহনখিদবা অসিনা যুএসকী পেট্রিওট মিসাইলশিং শীজিন্নদ্রবসু যুক্রেননা খুৎলায়শিং লম্মখাংদা থৎপদা শীংথানিংঙাই ওইনা মায় পাকপা ঙম্লি হায়বা যুক্রেনগী ক্লেমশিং অদু চুম্মী হায়বসি উৎলি হায়রি।

যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ভিদিও ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি টেররিষ্টশিংনা ইরাননা শাবা দ্রোন ১৩ কাপশিল্লকখি। তৌইগুম্বসুং দ্রোন পুম্নমক লম্মখাংদা কাপথখি। রসিয়ানা যুক্রেনগী পৱার ষ্টেসনশিং, ঈশিংগী ফেসিলিটিশিং অমসুং অতৈ পব্লিক যুটিলিটি সাইটশিংদা টার্গেট তৌবা হেল্লকপগা লোয়নবা রোকেটশিং, মিসাইলশিং, মোর্টার সেলশিং অমসুং আর্টিল্লরিগী মথক্তা অসিগুম্বা দ্রোনশিং শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি।

নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা উননা কুপশিল্লবা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভ ঈংনা চিক্না লৈখি। কিভ সিটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ সেরহি হোপকোনা টেলিগ্রামগী খুথাংদা ফোঙদোকখিবদা রসিয়াগী দ্রোনশিং অদু মপৈ অনী থোক্না তারকখি।

দ্রোনশিং অদুগী অকায় অতোইশিংনা এদমিনিষ্ট্রেটিব বিল্ডিং অমা অমসুং মী লৈনবা বিল্ডিং মরি মাঙ তাকহনখি। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা জেলেন্সকিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোংচুপলোমগী লিদরশিংদা রসিয়াগা লাম্ভেংনরিবা অদুদা মহাক্কী লৈবাকপু হেন্না ফবা খুৎলায়শিং পীদুনা মতেং পাঙননবা আপিল তৌখিবনি।

# ‘পাকিষ্টানদা চত্থরিবা টেরর এক্তিভিটি পুম্নমক্তা ইন্দিয়া চেন্নবগী খুদম চাংদমশিং ফঙই’

লাগোর, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): পাকিষ্টানদা চত্থরক্লিবা টেরর এক্তিভিটি পুম্নমক্তা ইন্দিয়াগী খুৎ চেন্নবগী খুদম চাংদমশিং উবা ফংই হায়না পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলানা ফোঙদোকখ্রে।



এদিস্নেল ইন্সপেক্তর জেনরেল, কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্ট, পঞ্জাব ইমরান মেহমুদকা লোয়নবা প্রেস কনফরেন্স অমদা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা পাম্বৈ অমা নত্তগা অতোপ্পা অমগী খুত্থাংদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিবু পঙথহনবগা লোয়নবা পাকিষ্টানদা টেররিষ্ট এক্তিভিটিশিং চত্থহন্দুনা লাক্লি। মসিগী ময়েক লারবা ইভিদেন্স ঐখোয়দা লৈ।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, পাকিষ্টাননা অসিগুম্বা টেরর এক্তিভিটি অমা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা খঙহন্দুনা ইন্দিয়াগী ফত্তবা এজেন্দা এক্সপোজ তৌননবা পাকিষ্টাননা ৱারেপ লৌরে।

এ আই জি সিটিগী মেহমুদনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা হায়, মিনিষ্টরনা পল্লিবা থৌদোক অসি মতম খরগী মমাঙদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওই খুদিংমক ঐখোয়না ফারে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌদাং য়ানিংবগী ইঙ্গিৎ উৎলকপসু লৈরে। ব্রিফিং অদুদা মখা তারদুনা মেহমুদনা হায়খি, থৌদোক অদু মমাঙ চহীগী জুনদা লাহোরগী জ হার টাউনদা থোকখিবনি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা এক্সপ্লোসিব মেটেরিএল কিলোগ্রাম ৩০০ চেন্নখি অমসুং মদুগীদমক্তা কার অমা শীজিন্নখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিখিবগা লোয়নবা পুলিস ওফিসর অনী য়াওনা মীওই ২২ শোকখি।

সেনিয়র পুলিস ওফিসল অসিনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তনা এটেক অসিগী থৌদাং য়ারকপা লৈত্রি। এটেক চত্থখিবা মফম অদু মী লৈনবা মফম ওইবনা ব্লাষ্ট অদুদা কার অমসুং য়ুম কয়া ফিভম থীনা অকায় অতোই নঙখি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবা মতুং য়াম্না থুনা সি টি দিনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং পুং ১৬ কী মতুংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা থৌদোক অদুগী হৌরকফমশিং লংলা লংজিন খঙবা ঙমখি।

থৌদোক অদুগী মতুং অহানবা পুং ২৪ গী মনুংদা সি টি দিনা টেররিষ্ট অহুম ফাখি হায়না মেহমুদনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# যুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র প্লান্ট খুদিংমক্তা পার্মেনেন্ট টেক্নিকেল মিশনশিং থারগনি

ভিএনা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): রসিয়ন কিভকী মায়োক্তা লান কন্না চত্থরিঙৈ মরক্তা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোরকপা থিংবদা মতেং ওইগদবা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ভিএনাদা বেজ তৌবা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না যুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (এন পি পি) পুম্নমক্তা পার্মেনেন্ট টেক্নিকেল মিশনশিং থারগনি।

ৱাফম অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পেরিসতা আই এ ই এগী দিরেক্তর জেনরেল রাফেল গ্রোসি অমসুং যুক্রেনগী প্রাইম মিনিষ্টর দেনিস সিমহালগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়ানখিবনি।

থা অহুম হেনবগী মমাঙদা আই এ ই এনা পার্মেনেন্ট এক্সপার্ট মিশন অমা দিপ্লোই তৌখ্রবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (জেদ এন পি পি) গী অকোয়বদা ন্যুক্লিয়র সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি প্রোটেক্সন জোন অমা লিংবগী মতাংদসু গ্রোসি অমসুং সিমহালনা খন্ন-নৈনখি হায়না যুএন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা দিরেক্তর জেনরেলনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঐখোয়না মফম অদুদা পার্মেনেন্ট মিশন থাদ্রিবা অমসুং অহেনবা থবক কয়া পায়খৎপা মথৌ তারবসু য়াম্না মরু ওইরিবা অসিগুম্বা জোন অমা লিংবগী ৱাফম অসি অথুবা মতমদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঐহাক্না যুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীমক্কা মখা তানা অৱাংবা থাক্কী কন্সলটেসনসু পাঙথোকখিগনি। মসিদা ঐখোয়না মতম মাঙহনবা য়াররোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

যুক্রেননা হায়জরকপদগী আই এ ই এনা হৌখিবা থা হেনবগী মমাঙদা যুক্রেনগী অতৈ ওপরেস্নেল এন পি পি অহুম হায়বদি খামেরনিস্কি, রিগ্নে অমসুং সাউথ যুক্রেনগা লোয়নবা কুমজা ১৯৮৬ তা শাথিরবা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোকখিবা মফম চার্নোবিলদা ন্যুক্লিয়র সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি মিশনশিং চয়োল অমগী ওইনা থাখিবনি।

# যুএসনা রসিয়াগী নেসনেল ৭ মিলিটরি টেক্নোলোজি হুনবা হোৎনরম্বগী মরাল শীখ্রে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): যুএসনা ফেদরেল সেক্যুরিটি সার্ভিস (এফ এস পি) ওফিসারনি হায়না চিংনবা মীওই অমা য়াওনা রসিয়ন নেসনেল মঙা অমসুং অমেরিকন অনী গভর্ণমেন্টগী ওর্দরদা রসিয়াগী দিফেন্স সেক্তরগীদমক্তা যুএসকী কম্পেনিশিংদগী মিলিটরি গ্রেদকী অমসুং অনী থোক্ন া শীজিন্নবা য়াবা টেক্নোলোজিশিং লৌবা য়াননবা লৌতুনরম্বগী মরাল শীরে হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (দি ও জে) না লাউথোকখ্রে।



হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌরদুনা দি ও জেনা হায়খি, মীওই তরেৎ অসিগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু ন্যু য়োর্ক সিটিগী ব্রুক্লিন ফেদরেল কোর্টতা হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোকখি।

মিলিটরি গ্রেদ অমদি অনীথোক্নবা শীজিন্নবা য়াবা টেক্নোলোজিশিং যুএসকী কম্পেনিশিংদগী হুননবা লৌতুনখি হায়বদু মীওই তরেৎ অদুদি মোস্কোদা লৈবা যুবগেনি গ্রেনিন (৪৪), মোস্কোগী অলেক্সি ইকোলিতোপ (৫৭), সেন্ট পিটর্সবর্গতগী বোরিস লিপসিদ (৫২), মোস্কোদগী সাবেদ লানা সর্বোসোবা (৪১), সেন্ট পিটর্সবর্গতগী বাদিন কোনোচেনোক (৪৮), ন্যু হেস্ফিয়রদগী অলেক্সি ব্রেমন (৩৫) অমসুং ন্যু জর্সিদগী বাদিন য়েরমোলেনকো (৪১) অসিনি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়রি, মীওইশিং অদু নমথাক তৌদুনা এক্সপোর্ট কন্ত্রোল অমসুং ইকনোমিক্কী অথিংবশিং নাথৈনবা লৌতুনবা অমসুং এক্সপোর্ট কন্ত্রোল রিফোর্ম এক্ট (ই সি আর এ) ভাইওলেট তৌনবা লৌতুনবা, স্মগ্লিং, ইলেক্ত্রোনিক্স আইটেমশিং ট্রান্সপোর্ট তৌবগা মরী লৈনবা ওটোমেটেদ এক্সপোর্ট সিষ্টেম কমপ্লাই তৌদবগী মরাল শীখি।

চার্জশিং অদুগী মতুং ইন্না দিফেন্দেন্টশিং অদুনা য়াম্না লুবা অমসুং নীংথিনা রিগুলেট তৌবা ইলেক্ত্রোনিক কম্পোনেন্টশিং লোনা য়াদবা মওংদা লৈবগা লোয়নবা এক্সপোর্ট তৌখি। মখোয়না লৈখিবা অমদি এক্সপোর্ট তৌখিবা ইলেক্ত্রোনিক কম্পোনেন্টশিংদুগী মনুংদা খরদি ন্যুক্লিয়র অমসুং হাইপরসোনিক খুৎলায়শিং দিভলপ তৌবদা, ক্বান্টম কম্প্যুটিং অমসুং অতৈ মিলিটরি এপ্লিকেসনশিংদা শীজিন্নবা য়াই।

মীওই তরেৎতুগী মনুংদা গ্রেনিন সকর্বোসোবা, ইকোলিতোপ অমসুং লিপসিস ফাবা ঙমদ্রিবা ওইরবসু ব্রেমন, য়েরমোলেনকো অমসুং কোনোচেনোবতি ফেদরেল ওথোরিটিশিংগী কষ্টদিদা লৈরে।

যুএস এর্টোনি জেনরেল মেরিক বি গার্লেননা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখিবদা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস অমসুং ঐখোয়গী ইন্টরনেসনেল পার্টনরশিংনা রসিয়াগী মিলিটরিনা চত্থরিবা লানগা মরী লৈনবা থবকশিংদা পুক্নিং থৌগৎকদবা ক্রিমিনেল স্ক্রিনশিং লেম্না থারোই।

# যুএস মিলিটরিনা সাউথ কোরিয়াদা স্পেস ফোর্স য়ুনিট অমা লোঞ্চ তৌখ্রে



সিওল, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ৱাশিংতনবু মসিগী রাইবেলশিং হায়বদি, নোর্থ কোরিয়া, চাইনা অমসুং রসিয়াবু হেন্না নীংথিনা মোনিটর তৌবা ঙমহনগদবা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা যুএস মিলিটরিনা যুমশকৈশ নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা স্পেস ফোর্স য়ুনিট অমা হৌনবী মতুং ইন্না লোঞ্চ তৌখ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলগা নক্নবা ওসান এয়র বেজতা যুএস স্পেস ফোর্সেস কোরিয়া এক্তিভেট তৌরিবদু নোর্থ কোরিয়ানা যুএসকী মেনলেন্দ অমসুং মসিগী মীচংশিং ওইরিবা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানদা ষ্ট্রাইক তৌবা য়াগদবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া হৌখিবা থা কয়া অসিদা পরিং নাইনা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা লাকপা মরু ওইবা খোঙথাংনি।

অনৌবা স্পেস য়ুনিট অদুগী চীফ লেফটনেন্ট কর্নেল জোসুৱা মেক্কুলিয়ননা ওসানদা পাঙথোকখিবা এক্তিভিসন সেরিমোনিদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, ঐখোয়না লৈরিবা মফমসিদগী অৱাংলোমদা শুপ্নগী মাইল ৪৮ দমক লাপ্পা মফমদগী ঐখোয়দা হৌজিক শিবা অমসুং চংবগী ৱাফম চেন্নবা অকিবা অমা পীরক্লি। কিহল্লক্লিবা অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়না দিটরেন্স শেম শাবা মথৌ তাই। তঙাই ফদ্রবদি অসিগুম্বা কিহল্লকপশিংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবগা লোয়নবা ঐখোয়না অসিগুম্বা ফোর্সশিংবু মায়থীবা পীবুস মথৌ তাগনি।

মহাক্না ৱাফম অসি সাউথকী কেপিটেল সিওলদগী পুং অমরোম গাড়ীদা চৎলগা য়ৌগদবা সাউথ কোরিয়াগা লোন্নবা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী বোর্দরবু পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি। য়ুনিট অদু কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বরদা মতমদুগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা যুএসকী অহানবা অনৌবা মিলিটরি সার্ভিস ওইনা লোঞ্চ তৌখিবা যুএস স্পেস ফোর্সনা চল্লাইগদৌরিবনি।

মমাঙদা পেন্টাগোনগী রিপোর্ট অমদা চাইনা অমসুং রসিয়ানা ক্রাইসিস নত্ত্রগা কনফ্লিক্ট অমদা অমেরিকা অমসুং মীচংশিংগী সেটেলাইটশিংবু থুগায়গদবা নত্ত্রগা সেটেলাইটশিংদা চৈথেং পীবা ঙমগদবা টেক্নোলোজিশিং পুথোক্নবা কন্না হোৎনরক্লি হায়না পনখিবনি। যুএস স্পেস ফোর্সেস কোরিয়া অসি হৌখিবা থাদা হৱায়িদা লৈবা ইন্দো-পেসিফিক কম্যান্দগী মনুং চন্না লিংখৎখিবা খরা হেন্না চাওবা যুএস স্পেস ফোর্স য়ুনিট অমগী সর্বোর্দিনেট অমনি।

# প্রোটেষ্ট কনশিল্লকপদগী পেরুগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা মীখল ঙন্না পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

লিমা, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): পেরু শিন থুংনা প্রোটেষ্টশিং কনশিল্লকখিবগা লোয়নবা জেনরেল ইলেক্সন ঙন্না পাঙথোকপা য়াননবগী ৱাফমশিং খন্ননবা কংগ্রেস্নেল কন্সটিট্যুসন কম্মিটিদা উন্ননবা হোৎনরি হায়না লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটিনা ফোঙদোকখ্রে।



হান্নগী লেফটিষ্ট প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু ইম্পিচ তৌবগা লোয়নবা মতুং তাবদা দিসেম্বর ৭ তা ফাখিবগী মায়োক্তা খোইরাং খোইশাওনরবা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্টশিং অদু চত্থরকখিবনি। পেরুগী খা থংবা দিপার্টমেন্টশিং অপুরিমার্ক অমসুং অরেকিপাদা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা খুৎ থোক্ন বদা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখ্রে।

লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট কনশিল্লকখিবগা লোয়নবা মীখলগী মতম চহী অনী তেনশিন দুনা কুমজা ২০২৪ গী এপ্রিলদা পাঙথোক্নবগী ৱাফম নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাষ্টিলোগী মহুৎ শীল্লিবা অমসুং মহাক্কী দিপ্যুটি ওইরম্বা বলৌটিনা প্রপোজ তৌখি। ইরাং হৌরিবা কাষ্টিলোগী সপোর্টরশিংনা মহাকপু থাদোক্নবা, বলৌটিবু রিজ াইন তৌনবা, মীখল ঙন্না পাঙথোক্নবা অমদি কংগ্রেস মুথৎনবা দিমান্দ তৌখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অনৌবা প্রসিদেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মহাক্না ট্রাঞ্জিসন গভর্ণমেন্ট অমা লূচিংদুনা মীয়ামদা ইংনা চিক্ন া লৈনবা, ৱারী শান্ননবা অমসুং তোঙান তোঙানবা লমদমশিংগী হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া সোল্ব তৌননবা হোৎনরি। বলৌটিনা নেসনেল পুলিসতা রব্বর বুলেটশিং য়াওনা মী শিবা য়াবা খুৎলায় অমত্তা শীজিন্নদনবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়নবা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং শীজিন্নরবদি মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক ফঙগনি হায়না খঙহনখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর লুই ওতোরোলানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অরেকিপাদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখি। চৈরকসিদা বলৌটিনা মীখল ঙন্না পাঙথোক্নবা থৌরাংলিবদু ফজদবা গেম অমনি হায়না কাষ্টিলোনা ফোঙদোকখি। অনৌবা প্রসিদেন্ট অসিবু ফমদা মীকাবদগী নমদুনা ফম মুনখিবা মীশক্লি হায়না মরাল শীখ্রে।

# কেপিটোল রাইওট থিজিল্লিবা পেনেলনা মথং চয়োলদা ফাইনেল রিপোর্ট থাদোক্লগনি

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১ গী জনুৱারীদা কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটকী মতাংদা থিজিল্লিবা যুএস হাউস সেলেক্ট কম্মিটিনা মসিগী ফাইনেল রিপোর্ট মথং চয়োলদা রিলিজ তৌরগনি হায়না পেনেল অসিগী চিয়র দেনি থোমসননা লাউথোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা দিমোক্রেট কংগ্রেসমেন অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, পেনেল অসিনা রিপোর্ট অদু দিসেম্বর ১৯ দা এপ্রুভ তৌগনি অমসুং মদু নুমিৎ নীনি লৈরগা মীয়াম্না খঙনবা রিলিজ তৌগনি।

মমাঙদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (দিওজে) দা মখোয়না ক্রিমিনেল রিফরেলশিং পীগনি হায়না পনখিবনি। কম্মিটি রিকমেন্দেসনশিংদা যুন্ফম ওইরগা প্রোজিক্যুসন চত্থগদ্রা নত্ত্রগা চত্থরোইদ্রা হায়বসি দি ও জেনা লেপকদবা ৱারেপনি হায়রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পেনেল অসিবু হঞ্জিন হঞ্জিন চৈ থাংখ্রবনি। পেনেল অসিদা দিমোক্রেট তরেৎ অমসুং রিপব্লিকান অনী য়াওরি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা ট্রম্পকী সপোর্টরশিংনা ৱাশিংতন দিসিদা লৈবা কেপিটোলদা থোমজিন্দুনা কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্সিএল মীখলগী রিজল্টশিং এফার্ম তৌনবা পাঙথোক্লিবা কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমা থুগায়খিবনি।

শাথিরবা রাইওট অদুদা পুলিস ওফিসর ১৪০ অশোক অপন নঙখি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখি হায়না ওথোরিটিশিংনা মতুং তাবদা লাউথোরকখিবনি। কেপিটোলদা থোমজিন দুনা ভাইওলেন্স চত্থখিবা অদুগা মরী লৈননা যুএসকী ষ্টেট ৫০ রোমদগী ইন্দিভিজুএল ৯০০ হেন্না ফাখিবনি হায়রি।

# বোইংগী হিষ্ট্রিদা য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা ৭৮৭ ড্রিমলাইনরগী খ্বাইদগী চাওবা ওর্দর পীখ্রে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা ৭৮৭ এয়র প্লেন ১০০ গী ওর্দর পীরক্লে হায়না বোইংনা লাউথোকখ্রে। মখা তানা বোইংনা হায়রি, মদুদি য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা পীরক্লিবা ওর্দর অদুদা অহেনবা এয়রক্রাফ্ট ১০০ লৈবগী ওপশনসু য়াওরি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, দিল অদু বোইংগী পুৱারীদা ৭৮৭ ড্রিমলাইনরগী খ্বাইদগী চাওবা ওর্দরনি। য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা হৌজিক লৈরিবা ওপশনশিং শীজিন্নদুনা এম এ এক্স জেদ ১০০ সু লৈরি অমসুং অনৌবা ওর্দর ৫৬ সু পীরি।

এয়রলাইন্স অসিনা বোইংদা পীরিবা হৌজিক্কী ওর্দরশিং অদু ৭৩৭ এম এ এক্স এয়রপ্লেন ৪৩০ হেনবা য়াওনা এয়রপ্লেন মশিং ৫৩০ দগী হেল্লে। বোইং কর্মসিএল এয়রপ্লেনসকী সি ই ও অমসুং প্রসিদেন্ট ষ্টেনদিলনা ফোঙদোকখিবদা কম্পেনি অসিগী তুংগী ফ্লিট ৭৩৭ এম এ এক্স অমসুং ৭৮৭ দা ইনভেষ্ট তৌবা অসিনা য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সপু ফ্লিট মোর্দনাইজেসন অমসুং মসিগী গ্লোবেল গ্রোঠ ষ্ট্রেটেজিদা খুমাঙ চাওশিলহনবদা মতেং ওইরগনি।

# কম্বোদিয়াগী অঙ্কোরনা য়ুনেস্কো হেরিটেজ লিষ্টতা য়াওবা চহী ৩০ মপুং ফাবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

সিয়ম রিয়াব, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী): অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্ক (য়ুনেস্কো) গী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখিবা চহী ৩০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা যুমশকৈশ নুমিত্তা কম্বোদিয়ানা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ‘অঙ্কোর থেঙ্কস গিভিং’ সেরিমোনিদা শরুক য়ারিবা পার্টিসিপেন্ট চা কয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর মেন সান এননা হায়খি, মদুদি কুমজা ১৯৯২ গী দিসেম্বর ১৪ দা য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখিবদগী অঙ্কোর আর্কিওলোজিকেল পার্ক অসি নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা, প্রিজার্ব তৌদুনা অমসুং হান্নদগী হেন্না মওং মরিল তানা শেমগৎতুনা লাকখি।

মসি লমদম অদুগী অমদি অতৈ মফম কয়াগী ওইনা টুরিষ্টশিংনা খ্বাইদগী পাম্নবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মায় পাক্না লাকশিনবা ঙমখিবা অমদি মরা তপ্পা ফিভমগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী ফিভম তং তাবা লাকপদগী হৌজিক টুরিষ্টশিংনা অঙ্কোরদা কোইরকপা অসি মহৌশাগী ফিভমদা মপুং ফানা হঞ্জিল্লক্লে হায়খি।